# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অশাদকী এয়রবেজদা ক্রুজ মিসাইলশিং কাপশিনখ্রে

## *রসিয়ানা এটেক অদু কাইহৌবা য়াওদনা এটেক তৌবনি হায়খ্রে*



পাম বিচ, এপ্রিল ০৭ : চহী ৬ শুরক্লবা সিরিয়াগী লালদা অহানবা ওইনা বাশর অল-অশাদকী গভর্ণমেন্টতা হকথেংননা এটেক তৌরদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরাই নুমিৎতা সিরিয়াগী এয়রবেজ অমদা ক্রুজ মিসাইলশিং কাপশিনখ্রে। এয়রবেজ অদু চয়োল অসিদা শাথিরবা কেমিকেল খুৎলায়গী এটেক চথবদা শীজিন্নখিবনি হায়রি।

সেন্ট্রেল সিরিয়াগী এয়রবেজদুদা চথখিবা ক্রুজ মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুদা অঙাং মরি য়াওনা মীচম মাপন শিখ্রে হায়না সিরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি সানানা ফোঙদোকখ্রে।

সায়ারাট এয়রবেজগা তাইনবা ভিলেজদা মিসাইলনা হিট তৌবদা শিখিবা মীচম মঙাগী মনুংদা অঙাং ৩ য়াওখি হায়রি। অমেরিকান মিসাইল অমনা অল-হমরাট ভিলেজদা হিট তৌবদসু অঙাং অমা য়াওনা মীচম মরি শিখ্রে হায়না সানানা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাক্কী মমাঙগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা অমুক্তা লৌখৎখিদ্রিবা খোঙথাং অমা লৌখৎলদুনা কেমিকেল খুৎলায় শীজিন্নদুনা এটেক চথখিবগী চৈরোক ওইনা অশাদকী মিলিটরিদা হকথেংননা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথনবা ওর্দর তৌখি। য়ু এস অমসুং মীচং ওইবা অতৈ লৈবাককয়াগী মীৎয়েংদা মীচমশিংদা কেমিকেল এটেক চথখিবনি হায়রিবা থৌদোক অদুদা অঙাং কয়া য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭০ শিখ্রে।

দোনাল্ড ত্রম্পকী খোঙথাং অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা রসিয়াগা মুক্লবগী ফীভম অমা লাকহনখ্রে। রসিয়াগী মিলিটরি এদভাইজর কয়া গ্রাউন্দদা লৈবাক অসিগী মীচং অশাদপু মতেং পাংদুনা লৈরিবনি।

'মমাঙদা চহী কয়া অশাদকী লমচৎ অমসুং থৌওংশিং হোংদোকহন্নবা হোৎনখিবা খুদিংমক ফেল ওইখি' হায়না ত্রম্পনা ফ্লোরিদাদা লৈবা মহাক্কী রিজোর্ট মার-অ-লাগোদগী এটেক অদুবু লাউথোক্লদুনা হায়খি। মতমদুদা মার-অ-লাগোদা মহাক চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগা মীফম চথরিবনি।

খুৎলৈ থুনা চথখিবা এক্সন অদু রসিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়া, চাইনা অমসুং ইরানগুম্বা ত্রম্পকী প্রসিদেন্সিগী ঙল্লিঙৈ মতমদা ফোরন পোলিসীগী চাংয়েংশিং মায়োক্লহনখিবা লৈবাকশিংদা পীবা সিগনেল অমনি হায়না পানরকপা য়াই হায়রি।

রসিয়া অমসুং ইরাননা মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে। অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়া, বৃটেন অমসুং টর্কিনা এটেক অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে। পুটিননা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু ইন্টরনেসনল লোগী মায়োক্তনি, ইফোং ফোংনা অকন-অরিং শীংদুনা লান দাবনি অমসুং মদুনা য়ু এস-রসিয়াগী মরীদা চৈথেং চাউনা পীরগনি হায়খ্রে।

# আর্মিবু ক্রিটিসাইজ তৌবগীদমক ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী ষ্টাফ জেলদা থাজিন্নবা খঙহনখ্রে

য়াঙ্গোন, এপ্রিল ০৭ :

ফেসবূক পোষ্ট অমদা ম্যান্মারগী আর্মি চীফপু ক্রিটিসাইজ তৌবগীদমক্তা য়াঙ্গোনগী কোর্ট অমনা ইরাই নুমিৎতা ওং সান সু চিগী গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমা থা তরুক জেলদা থম্নবগী চৈরাক পীখ্রে।

মসি দিমোক্রেসি চৎলকপা কুইদ্রিবা লৈবাক অদুদা মিলিটরি জন টাগী লৈঙাক লোইখ্রবসু হৌজিকসু মিলিটরিনা পৱারফুল প্লেয়র অমা ওইনা মখা তানা লৈদুনা নিংতম্না ৱা ঙাঙবদা মখা তানা লিমিটশিং থল্লি হায়বা উৎপা খ্বাইদগী নৌবা কোর্টকী ভার্দিক্টনি।

রাখিনে ষ্টেটকী অৱাংদা লৈবা পুলিস পোষ্টশিংদা শাথিরবা রেইদশিং চথখিবগা মরী লৈননা আর্মিগী মকোকপু মফম থাদোক্লবা তকশিনখিবগীদমক্তা হৌখিবা ওক্টোবরদা সু চিগী রুলিং পার্টিগী রিছার্চর মিয়ো য়ান নাউং থাইন পুলিসনা ফাখিবনি।

ম্যান্মারগী ষ্টেট লৈতবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু রিপ্রজেন্ট তৌবনি হায়না ক্লেম তৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা চথখিবা এটেকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা আর্মিনা শাথিরবা ক্রেকদাউন অমা চথখি। তমথীরবা মওংগী মিলিটরি ক্রেকদাউন অদুবু য়ু এনগী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মীওইবগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংগা মান্নে হায়না ফোঙদোকখি।

ওক্টোবরদগী রেইদশিংদু চথখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক্কী মনুংদা ফেসবুক্তা থাগৎখিব ৱারোল অমদা মিয়ো য়ান নাউং থাইননা রেইদশিংদু চথবা ঙমহনখিবগীদমক্তা সিনিয়র জেনরেল মিন ওন লাইংবু 'ঈকায়বা নাইদে' হায়বগা লোয়ননা মহাকপু রিজাইন তৌনবসু তকশিনখিবনি।

ইরাই নুমিৎতা য়াঙ্গোনগী কমায়ুট টাউনসিপ কোর্টনা ভার্দিক্ট অদু লাউথোরকপদা মশাগী চহী ৪৩ শুরবা মীওই অদু মোং হাদনা লৈবা উখি।

তৌইগুম্বসুং কোর্টতগী থোক্লকখিবা মতমদদি কোর্টকী ৱারেপ অদু য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা চহী ৫০ গী মনুংদা পাঙথোকপা ফ্রী ইলেক্সনশিংদা সু চিগী নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসিনা মায় পাক্লবসু মখা তানা পৱার পায়শিন্দুনা লৈ হায়না মহাক্না আর্মিবু ক্রিটিসাইজ তৌখি।

# সিরিয়াগী লালগী মতাংদা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট পুরক্লবা মরী লৈনবশিংদা চাইনানা আপিল তৌখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ০৭ :

সিরিয়াগী এয়রফিল্ড অমদা য়ু এসনা মিলিটরি ষ্ট্রাইক অমা চথখ্রবা মতুংদা চাইনানা ইরাই নুমিৎতা চহী তরুক শুরক্লবা সিরিয়াগী লাল অদুগী মতাংদা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট অমা পুরক্লবা হোৎননবা লাল অদুদা চেন্নরিবা পার্টি খুদিংমক্তা আপিল তৌখ্রে। মিলিটরি ষ্ট্রাইক অদু চাইনাগী প্রসিদেন্টনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা চথখিবনি।

চাইনানা মরী লৈনবা পার্টিশিংনা শাউনদনা লৈগনি, য়ারিবমখৈ পূক্রিং ফাথনগনি অমসুং টেন্সন হেনগৎহনগদবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলক্লোই হায়না থাজে হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুনিয়িংনা হায়খি।

'সিরিয়াদা লাক্লিবা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংশিং অসিনা লৈবাক অসিগী ইস্যু লৈখায় তানবা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট পুরক্লবা হোৎনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বা উৎলি' হায়না হুৱা চুনিয়িংনা রেগুলর ব্রীফিং অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

'ঐখেয়না পার্টি খুদিংমক্তা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্টদা থাজবা থম্নবা অমসুং পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট পুরক্লবা হনবা লৈতনা হোৎননবা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌরি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা এরিয়া অমদা কেমিকেল এটেক চথখিবগী পাউখুম ওইনা সিরিয়ন লীদর বাশর অল-অশাদকী ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌবা এয়রবেজ অমগী মায়োক্তা মিলিটরিনা ক্রুজ মিসাইল দজন কয়া কাপখ্রে হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জান্যুৱারী থাদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী খ্বাইদগী চাউবা ফোরন পোলিসী ক্রাইসিস মায়োক্ল রকখিবা ত্রম্পনা সিরিয়াগী সিভিল ৱারদা খ্বাইদগী শাথিবা য়ু এসকী এক্সন লৌখৎখিবনি।

মহাক্কী খোঙথাং অসিনা রসিয়া অমসুং ইরানগা মুক্লরকপা য়াবগী খুদোংথীবা ফীভম অমা লাকহনখ্রে হায়রি।

লৈবাক অনী অসি অশাদকী মরু ওইবা মিলিটরি বেকরশিংনি। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা সিরিয়াগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা থিংবদা চাইনানা মতম পুম্নমক্তা রসিয়াগী মায়কৈদা লেপখি অমসুং সিরিয়াগী ক্রাইসিসকা মরী লৈনবা বৈজিংগী অখন্নবা পাউখোল্লোয়না রসিয়ানা সিরিয়াদা মিলিটরিগী থৌদাং লৌরিবদু ইন্টরনেসনল টেররিজম থেংনবদা মায় পাক্লবনি হায়রদুনা থাগৎখি।

# ষ্টোকহোমগী সোপ্পিং সেন্টরদা মীয়াম মরক্তা ট্রক থৌজিন্দুনা এটেক তৌখ্রে

ষ্টোকহোম, এপ্রিল ০৭ :

স্বিদেনগী কেপিটেল ষ্টোকহোমগী সোপ্পিং সেন্টর অমদা ঙসি হুরাল্লকপা ট্রক অমা খোঙনা চৎপা মীওইশিংগী (সোপ্পরশিংগী) মরক্তা থৌজিন্দুনা চথখিবা এটেক্তা মীওই মঙা ফাওবা শিখ্রে হায়রি। ট্রক অদুদগী মীওই অহুম চোংথোরক্তুনা অউ-অউবশিংদসু নোংমৈ কাপখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা হায়খি মদুদি, ষ্ট্রীট তরুক্তা কন্না থৌরক্লবা মতুংদা ট্রক অদু সোপ্পিং সেন্টর অমগী মপানদা লৈবা ষ্ট্রীট অমদা লৈবা মীওই গ্রুপ অমদা থৌজিনখি। মকোক্কা মশাগা লৈথোক-লৈশিন য়াবা মওংদা শেল্লবা ট্রক অদুনা বিল্ডিংদুগী কোর্নরদা থোমজিল্লবা মতুংদা পোৎ লৈবা লাক্ল রিবা মীওই চা কয়া মথৱায় হিংনবা চেন্নবা উখি। মীওই দজন কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়না থাজনরি।

নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাখি অমসুং ৱিটনেসশিংনা মকোক্তা বেল্লক্লভা উপই হায়নবা দ্রাইভর অদু ফারে হায়রি।

অনীশুবা থৌদোক অমদসু নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং তাখিবগা লোয়ননা পুলিসনা স্বেদিস সেন্ট্রেল ষ্টেসন থিংজিনখ্রে হায়রি।

কিনিঙাই ওইরবা থৌদোক অদু ক্লারাবর্গসগটনদা লৈবা অহলেন্স কৌবা দিপার্টমেন্ট ষ্টোর অমদা থোকখিবনি। ট্রক অদু স্পেন্দ্রুপস ব্রু অরিদগী হুরাল্লকপা নৎত্রগা হাইজেক তৌরকখিবনি হায়না থাজনরি। বিল্ডিংগী কোর্নরদা শাফু কন্না থোমজিনবদগী মৈ চাক্লবা ট্রক অদু ফায়র সার্ভিসকী মীওইশিংনা মুখৎনবা হোৎনখি।

স্বিদেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ষ্টেফান লোফভেননা ইভিদেন্স ওইবা য়াবা পোৎশক খুদিংমক্না থৌদোক অদু টেরর এটেক অমনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পী হায়খি অমসুং মীওই অমা ফারে হায়না কনফার্ম তৌখি।

খুৎলায় মতিক চানা পায়বা পুলিস কাঙবুশিংনা থৌদোক থোকফমদা থোমজিন্নবগা লোয়ননা পার্সনেল কয়া ষ্টোরদুদা চঙখি হায়রি।

# য়ু এস কোংগ্রেসকী অহানবা হিন্দু মেম্বরনা সিরিয়া ষ্ট্রাইকশিং কন্দেম তৌখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৭ :

কোংগ্রেসতা থাগৎলকখিবা অহানবা হিন্দু ওইরিবা হাৱাঈঈগী দেমোক্রেট তুলসি গব্বার্দনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পপু চৈ থাংলদুনা মহাক্না সিরিয়াগী মায়োক্তা ষ্ট্রাইক তৌনবা ৱারেপ লৌরিবদু অঙম-অরাই খঙদবগী থৌওংনি হায়খ্রে।

'মসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা কেমিকেল পোইজনিংগী মফমদুদগী ইভিদেন্স খোম্বগী মতম ঙাইবা তৌদনা সিরিয়াদা য়ু এসনা চথখিবা এটেক অদুগী মতুং তাবা ফলশিং করি ওইগদগে হায়বগী মতাংদা করিমক্তা খন্নদনা নৎত্রগা চেকশিন্দনা অঙম-অরাই খঙদনা থবক তৌখ্রে' হায়না হিল মেগাজিননা গব্বার্দনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা ৱার হোকশিংগী পাউতাক লৌদুনা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টপু লৈঙাক্কী পৱার পায়রম্বদগী চিংথুনবা হোৎনরদুনা লোনা য়াদবা মওংদা রেজিম হোংনবা শোক্ল রকখিবা লালবু অমুক হেন্না কনশিন্নবা হোৎনরক্লিবসিনা ঐহাকপু খোয়রাং খোয়শাওহল্লে অমসুং ৱাহল্লে।

অসুম্না লাল কনশিন্নবা হোৎনবসি মীৎয়ে শান্দবগী থৌওংনি অমসুং মসিনা মীচমশিং শিবা হেনগৎহনগনি। রিফুজিশিংগী মশিং হেনগৎহনগনি, অল-কাইদা অমসুং অতৈ টেররিষ্টশিংবু মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি অমসুং য়ু এস অমসুং রসিয়াগী মরক্তা ন্যুক্লিয়র লাল অমা থোকহল্লকপা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

গব্বার্দনা ৱাফমশিং অসি শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা য়ু এসকী ৱারসিপশিংনা সিরিয়াগী মিলিটরি ফিল্ড অমদা টোমহোক ক্রুজ মিসাইল ৫৯ কাপশিনখিবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

এটেক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোদর্ন সিরিয়াদা কেমিকেল এটেক চথদুনা অঙাংশিং য়াওনা মীচম ৮০ হেন্না শিহনখিবগী খুৎ হনবা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা গব্বার্দনা সিরিয়াদা খোঙচৎ অমা চত্তুনা লৈবাকসিগী রেজিমগী মকোক প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকা উনদুনা ৱাথোক অমা থোকহনবা য়াবগী ফীভম লৈখিবনি।

# এন্টি-শিখ রাইঅটশিংবু জেনোসাইদনি হায়বা মোসন অমা পাস তৌখ্রে



ওটাৱা, এপ্রিল ০৭ :

কুমজা ১৯৮৪ দা শিখ কাঙলুপকী মায়োক্তা থোকখিবা ঈরাংবু 'জেনোসাইদ' অমনি হায়না ফোঙদোকপা মোসন অমা কনাডাগী ওন্টারিও এসেমব্লিনা শগোলশেল নুমিৎতা পাস তৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং কনাডাগী মরীদা অচৌবা শাফু অমা পীখ্রে। খোঙথাং অসিনা ওন্টারিও এসেমব্লিবু মোসন অসি পাস তৌবা কনাডাগী অহানবা লেজিসলেচর ওইহনখ্রে।

মসি ন্যু দিল্লিগী ওইনা য়াম্না নিংবা কায়নিঙাই ওইবা খোঙথাং ওইরি, মরমদি মোসন অসি ওন্টারিওগী রুলিং লিবরেল পার্টিগী মেম্বর ওফ প্রোভিন্সিল পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা এম পি পিনা মুভ তৌখিবনি। মমাঙগী কালেনদা মান্নবা সেসন অমা পার্টি অসিনা শৌগৎখিদবনি।

প্রাইভেট মেম্বরশিংগী মোসন অদু টোরন্টোগী মনাক্তা লৈবা ব্রম্পটন-স্প্রিংদেল রাইদিং (কন্সটিট্যুএন্সি) গী এম পি পি হরিন্দর মালহিনা মুভ তৌখিবনি।

দিবেট অমা চথরবা মতুংদা মোসন অদু এম পি পি ৩৪ না শৌগৎতুনা পাস তৌখি। শুপ্নগী এম পি পি মঙাখক্তা মোসন অদুগী মায়োক্তা লেপখি। ভোট লৌনবদুদা তিনখিবশিংগী মশিংদু এসেমব্লিগী অপুনবা ষ্ট্রেংথ ওইরিবা ১০৭ কী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমনি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভম অদুবু ইন্দিয়াগী পি এম ওনা মুন্না খঙবগা লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা নুংনাংবা পোকপগী ফীভম মোসন অসু পাস তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা জষ্টিন ত্রুদোগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং য়াওনা কনাডাগী লিবরেল পার্টিদা খঙহনখ্রে।

ইন্দিয়ানা মান্নবা মওংদা ওন্টারিও গভর্ণমেন্টদসু খঙহনখ্রে। টোরন্টোদা লৈবা ইন্দিয়াগী কোন্সল জেনরেল দিনেস ভাতিয়ানা নুমিৎ কয়ানিমুক খোঙথাং অসিবু থিংনবা কন্না হোৎনখি হায়রি।

ৱাফম অসিনা বাইলেটরেল মরীদা নেগেটিভ ইম্পেক্ট অমা পীবা য়াই হায়না ইন্দিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# হান্নগী য়ু এস প্রোসিক্যুটরনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনবু ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে



ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ০৭ : মফমদগী লৌথোক্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙখিবা ইন্দিয়াদা পোকখিবা হান্নগী টোপ ফেদরেল প্রোসিক্যুটর প্রীট ভারারানা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পপু ক্রিটিসাইজ তৌরদুনা 'খোল্লাউ অমখক্ল প্রোব্লেম সোল্ভ তৌনবা হোৎনবা মায় পাক্লোই' হায়খ্রে অমসুং ৱা ঙাঙবদা তিল্লিবা মীয়ামগী মশিং লেপ্পগী মতাংদা (ত্রম্পপু) করেম্নখ্রে।

ন্যু য়োর্কতা লৈবা কুপর য়ুনিয়ন ফোর দ এদভান্সমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ আর্টসতা পুং অমা চুপ্না ৱা ঙাঙবদা ভারারানা ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরমদা পাউদম কয়া তম্বদা পাইরক্কী লৌশিং উৎপা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি অমসুং অকনবা ক্রিটিজিসম কয়া শীজিন্নখি। মহাক্না সাউদর্ন দিষ্ট্রিক্ট ন্যু য়োর্ককী য়ু এস এটোর্নি ওইনা চহী ৭.৫ শাংনা থবক তৌরকখিবগী মতাংদসু পাউদম কয়া থমখি।

ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা হৌখিবা থাদা মফম লৌথোকখিবা ভারারানা প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী পোপ্যুলর কেম্পেন স্লোগান অমবু অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং মসিগী থবক মতৌবু অকনবা মওংদা ক্রিটিসাইজ তৌবদা শীজিন্নখি।

# হামাসনা ইজরেলগা মরী লৈনরম্বা পালেষ্টিনিয়ন ৩ হাৎখ্রে

গজা সিটি, এপ্রিল ০৭ :

ইজরেলগা খুৎশম্মনা থবক তৌমিন্নবশিংনি হায়না মরাল শীরবা পালেষ্টিনিয়ন অহুম হাৎখ্রে হায়না গজা ষ্ট্রিপপু লৈঙাক্লিবা ইস্লামিক মিলিটেন্ট গ্রুপ হামাসনা ফোঙদোকখ্রে।

মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা হমাসনা ফোঙদোকখি মদুদি, ইজরেলগা লৌতুনরম্বা পালেষ্টিনিয়ন অহুমদু শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা পুলিসকী কম্পাউন্দ অমদা হেং তৌখি। মখোয়বু হাৎপদু হামাসকী লীদরশিং অমসুং ওফিসলশিংনা য়েংখি।

হৌখিবা থাদা মাজেন ফাকহা কৌবা মিলিটেন্ট অমা গজাদা শিরম্বা থেংনবদগী হামাসনা ইজরেলগীদমক্তা অরোন-অথুপকী ঈ-পাউ লৌরম্বশিংনি হায়না চিংনবশিংগী মায়োক্তা লোকেল মিদিয়াদা কেম্প্যেন অমা হৌখি।

সুইসাইদ বোম্মিং কয়া চথনবা ওর্দর পীখিবগীদমক্তা ইজরেলনা মহাকপু পুন্সি চূপ্পগী ফাদোক মাপল্লক তাহনখি।

কুমজা ২০১১ দা ইজরেলি লান্মী অমখক্তা এক্সচেঞ্জ তৌনরদুনা মহাকপু অতৈ পালেষ্টিনিয়ন প্রীজনর ১০০০ হেনবগা লোয়ননা থাদোকখি।

কুমজা ২০০৭ তা গজাদা লৈঙাকপা হৌখিবদগী হামাসনা মসিগী জুদিস্যল সিষ্টেমগী মখাদা কনভিক্সন পীখিবা মীওই ২৫ হাৎখ্রে।






## ꯊꯕꯛ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤ/EMPLOYMENT NEWS

### National Agri-Food Biotechnology Institute – NABI Recruitment – 12 Management Assistant, Computer Operator & Various Vacancies – Last Date 29 May 2017

**NABI Recruitment 2017**

National Agri-Food Biotechnology Institute invites application for the post of 12 Management Assistant, Computer Operator & Various Vacancies. Apply before 29 May 2017.Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Job Details :**

Post Name : Management Assistant
No Of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 10000/- (Per month)

Post Name : Computer Operator
No Of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 10000/- (Per month)

**Eligibility Criteria for NABI Recruitment :**

Educational Qualification :
For Management Assistant : Graduate with minimum 3 years experience

For Computer Operator : Graduate degree in any discipline with diploma/certificate in computer application with three years of experience of data entry, office management or Graduate degree in Computer Science/Computer Application / IT or its equivalent from any recognized University/ Institute with one year experience in IT/Hardware/Software.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 30 year for Management Assistant & 28 years for Computer Operator

Job Location : Cochin (Kerala)

**Selection Process :** Selection will be through Interview.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft in favour of Executive Director, NABI.

**How to Apply NABI Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed Application form along with attested copies of certificates, testimonials in support of age, educational qualifications, experience, etc & super-scribing "APPLICATION FOR THE POST OF "___________" send to Manager Administration, National Agri-Food Biotechnology Institute, Sector-81, Knowledge City, SAS Nagar, Mohali, Punjab-140306 (India) on or before 29.05.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission Of Application : 29.05.2017

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://www.nabi.res.in/Vacancies/Permanent/AdvtNo-1-2017/Advt.pdf

Download Application Form : http://www.nabi.res.in/Vacancies/Permanent/AdvtNo-1-2017/Form.pdf

### Central Institute of Plastics Engineering and Technology – CIPET Recruitment – Placement Officer & Assistant Placement Officer Vacancy – Last Date 30 May 2017

**CIPET Recruitment 2017**

Central Institute of Plastics Engineering and Technology (CIPET) invited applications for the posts of Placement Officer & Assistant Placement Officer on Tenure basis. Apply before 30 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : HLC-RECTT-01/2017

**CIPET Job Details :**

Post Name : Placement Officer
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs.40000/- (Per Month)

Post Name : Assistant Placement Officer
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs.30000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for CIPET Recruitment :**

Educational Qualification :
For Placement Officer : B.Tech/B.E(Mechanical/Chemical/ Polymer or Equivalent ) with 05 years of Placement experience in Institute/ HR Firm /Industry.

For Assistant Placement Officer : Graduate with 03 years or Diploma with 05 years of Placement experience.

Nationality : Indian
Age Limit : As per CIPET rules

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply CIPET Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents & experience certificate send to Shri Anil Kr. Singh, Head Administration (Academic) , Central Institute of Plastics Engineering and Technology, Head Office, T.V.K Industrial Estate, Guindy, Chennai – 600 032 on or before 30.05.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 30.05.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.cipet.gov.in/job-opportunities/downloads/30-03-2017-001/Advertisment%20for%20Placement%20&%20Assistant%20Placement%20Officer.pdf

Download Essential Qualification Link : http://www.cipet.gov.in/job-opportunities/downloads/30-03-2017-001/General%20Infomation%20%20for%20Placement%20&%20Assistant%20Placement%20Officer.pdf

Download Application Form Link : http://www.cipet.gov.in/job-opportunities/downloads/30-03-2017-001/Application%20form%20for%20P.O%20&%20A.P.O.doc